# অনমোল রতন-তাঙলবা মনি!

- এস ইন্দ্রকুমার -



তাঙবদগী তাঙলবা, মমল লেপ্পা ঙমদ্রবা, অনী শুনা লৈত্রবা পোৎশক অদুবু কৌই - হিন্দি লোলদা 'অনমোল'। 'রতন' হায়বা ৱাহৈসিনা কৌই ইরোন্দা 'মনি', নৎত্রগা 'মুক্তা'। ইংরাজি লোন্দা দাইমন্দ/জেম/জিৱেল... করম্বনা হেন্না চূনবা ৱাহৈনো? শীজিন্নরিবা মীদুগী ৱাখলগী মখা পোনগনি। করম্বা মনি'বু প্রাইসলেস/অনমোলনি হায়গদগে? মসিমদি খন্দোকপা লুদবনি-রতন/মনি/জেম খূৎদিংমক অনমোল নত্তে। ঐগী খূৎনিংথৌসিদসু, অয়াম্বা মীগী খূৎশা'দা তুংলমচৎ তাকপা লল্লোনমী (পাঞ্জি) শিংগী পাউতাক-লৌ' দাইমন্দ মচেৎ অমমম নপ্লিবনি, পূন্সি-মমল কাপখৎনবা। নূং মচেৎ অদুনা পূন্সি'-মমল হেনগৎহনগদবা নত্তে, ৱাখলদুনা লমজিংলগা পাঙথোক্লিবা থবক্তুনা মীওইবগী পূন্সি'-মশক অমদি মমল লেপ্পী হায়বসিদি নীংশিংনদে কনা'মত্তনা।

রতন! মমা মপা ওইবশিংনা মচাগী মমিং থোনবদা পাম্না লৌখৎনরম্বা সংস্কৃট ৱাহৈ অমনি। নুপী ওইরগনা - 'রত্না'। খল্লিবনি-মপারী নৎত্রগা মমোমদু তাঙলবা লন অমনি। মিং অসিগা ইরোয়নবা থৱায় কয়া থেংনরকখ্রে, লোয়নরকখ্রে। কয়া অমসু লোয়নরি। চৎখ্রে কয়া'মসু তাইবঙপানসি থাদোক্তুনা।

ঐগা খঙন-চান্নজখিবা 'রতন' কয়াদুগী মনুংদা, জুলাই তারিখ ২৩, ২০২৫ য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক য়েন্দা অঙনবা, অমমম অঙান শিন্নরমদাই মতমদা হকচাং পোলাং থাদোক্লম, থৱায় মিরেল অদুনা লাইরক্লেন্দা চৎখ্রবা ওজা 'রতন থিয়াম' না পূন্নমক্তই তোংঙাল্লি। মহাক্তি চুন্নই 'রতন' কৌবা নত্তে, অশেঙবা 'অনমোল রতন' নি। মণিপুর ইমাগী মতমপাক্তা পোকপতনি, ভারত-ইমা'ই-'পারীনি-ইন্দিয়ন থিয়েটর' মশকপু নৌনা মশক তাকখিবা, মণিপুরগী মনি'বু মালেম শীন্না চাইখিবা।

মীগী অশেঙবা মমলদি, মানা তাইবঙ থাদোকখ্রবা মতুংদতা খঙলকই- হায়নবনি মালেমদা। অদুবু, ওজা রতন থিয়ামদি, অদুগুম্বা ৱাহৈনা মাগী মমল লেপফরোই। মাগী মশক, মাগী মগুণ, মাগী মমল-মালেমসিদা, খঙদবা কনাবু লৈরম'দগে? ৱাইখুগুম্না চিংথনবা খুন্নাই অমদা পোক্ল'সু মালেম শীন্না মশেক মঙাল শনখিবা... অতোনবশিংদা নেৎলগা অৱাঙবদা কানবা, নাতোন নম্বা মমীৎ খূবা মীশিংবু উমংগী-মীনি-মীরায়রবা, ইন্দিয়ন ওইনা উঙমদবা ইন্দিয়া'দা, ৱাংথোই-চাউথোইবা উপালগুম মকা ফন্না লেপখিবা... মহাক্লুম্বা থৱায় অমা মণিপুর ইমাগী শিয়োম্নুংদা মিতল্লক্কদবা কৈদৌঙৈনো? মপোক লাংওনসিদদি অমা অমুক লাক্লরোই।

১৯৮৭, ৱারেঙজরিবা ইশাগী থিয়েটর ওর্গনাইজেশন, এলিট গ্রুপ ওফ পর্ফোর্মিং আর্টিষ্টস, লীংখৎখিবা চহীদুদনি থম্মোয় মথুম-মরাঙ হৌহনবা পাউ অমা তাখিবা-মণিপুরগী রতন থিয়াম' না নেশনল স্কুল ওফ ড্রামাগী দাইরেক্টর ওইরে। ড্রামা হায়বা আর্ট'সিবু চঙ ফংনা পামজরুরগসু, হিংনবগী পাম্বৈ ওইনা 'বেক্কিং' হায়বা শিনফম অদু পায়রুরবনা, স্কুলদুদা চত্তুনা হীরমদুদা অহেনবা লৌশিং তানশিনবগী অপাম্বদুমদি ফংখিদে। অফং-অফংবা লাইরিক খরা লৈদুনা পাজবা, অহলশিংগী মনাক নকপা, ৱাখল মান্নবা ইচা-ইনাও খরগা পূন্না প্রাক্টিস তৌমিন্নবা... অসুম তৌদুনা, শিনফম অমা ওইনা পায়খৎপদি নত্তনা থিয়েটর এক্টিভিষ্টি কন্না ওইরক্লিঙৈ মতমদুদা... চহী অনীমুক্কী মতুংদা, অতোপ্পা পাউ অমা অমুক তারকখি-এন এস দি'গী মহৈরোয় ময়াম হুপ্তুনা ওজা রতন'বু দাইরেক্টর ওইবা তোকহন্নবা ঈরাং অমা হৌরক্লে। দুরদর্শনগী পাউ'দা, নেশনল ন্যুজ-পেপরশিংদা থেংনরক্লে... ছাত্রশিংনা প্লেকার্দ খূত্তা পায়দুনা/ফক্লাঙদা স্লোগান ওইনা ইদুনা থেৎলি... 'এ ত্রাইবেল চীফ কেন্নোৎ বি আৱর দাইরেক্টর'... (অতোনবশিংগী খুন-খুল্লাকপা অমনা ঐখোয়গী দাইরেক্টর ওইবা য়ারোই)। মতমদুদা ওইখিবা ওজা রতনগী পোপ্যুলারিটি অমদি মালেমদা মাগী এক্সেপ্টিবিলিটি... ইন্দিয়ন থিয়েটর পর্সোনেলিটি পূন্নমক্কী মিকানফম্লি। পূন্নমক্লা কল্লক্লফমনি। খনখি-হৌরক্লিবা ঈরাংদু ষ্টুদেন্টশিংগী ঈহৌ নত্তে। লুনা চেনবা ঈচেলনি, ঈরৈ কন্না চেল্লিবা, মপাম্থোংদা উদবা।



থবক মতম লোইদ্রিঙৈ পোত্থাবা তাখি, পোত্থাখি। থৌদোক্তুনা ওইহনখি ঐবু-ইন্দিয়াদা থাজবা ঙমদ্রবা ইন্দিয়ন অমা! ইন্দিয়ন অমনি খনজবদা চাউথোকচবা ঙমদ্রবা ইন্দিয়ন অমা!

অদুবু, হকচাংগী কয়াৎ খূদিংমক ফাক ফাক্তুনা য়েংবদা থিয়েটরগী মচল/এলিমেন্ট নত্তনা অতৈ অমা ফংলরোইদবা, হুল্লিবা মিহুল খুদিংমক থিয়েটরগী তাম্থাদা হুল্লিবা রতন থিয়াম'গুম্বা অমবু নমথবা-কনাগী মতিক ওইগদগে? মশেক মঙাল অদুনা মালেম শিন্না ঙাল্লকখি। কোরৌগী মশেক মঙালবু কনানা খুম্বা ঙম্বগে? নেশনল স্কুল ওফ ড্রামা'দুমক্কী চ্যেরমেন ওইরকখি।

ইজরিবা ৱারেংসি মাগী পূন্সি অমসুং থবক্কী মরমদা মারগা ইগে খঞ্জরুবা নত্তে। মহাক্কী মরমদা ইববু, কনানা করি হায়খিবা, কদায়দা করি ইখিবা, তেল্ল' মীকূপ খরদা মানা করি হায়রম্বা, মানা করি তৌখিবা... মপাম্থোংগী শক্তম খরা উরু-খঙলুবসিনা ইবা ঙম্বা হৌনদে। নৈনবগী লোইবা নাইদবা পূন্সি অমই ৱারীনি... পোক্লল্লগা শিখিবা পূন্সি নত্তে রতন থিয়াম, ইন্সটিট্যুশন অমনি... ইন্সটিট্যুশন নত্তে য়ুনিভর্সিটি অমনি। ঐখোয় য়ুনিভর্সিটিদুদা চঙলুদ্রি। চঙফম/সনথোঙ অদুদা লেপ্লগা য়েংলুবতনি। শিনাইদবা থৱায়নি। ঈৱায় ইনিল ওইদুনা মফম খুদিং লৈরল্লি। চৎসি ঐখোয় থিরুসি।

তারিখ ২৩গী অয়ূক অঙনবা, থৱায়না থাদোক-হুন্দোক্লল্লবা, কেল্লবা শমু হকচাঙ, 'ইরানয়াই' (ওজাগী সঙ্গায়দুগী মিং) গী মাঙ্গোন্দা চুমদ্রিং হীপ্তুনা লৈরম্বা... অরোইবা ওইনা মখোঙ থম্বাল শোক্লা ইকোকসিনা খুরুমখিবা, নাকোংসিনা খোম্থাং ওইনা তারকপগুম তৌখি ওজাগী লূল্লবা খোঞ্জেল অমা... 'ঐগী থিয়েটর কম্পানিসিদা য়াওগে, হিংগে খল্লবা, শিনফমসিনা পূন্সিনি খনবা ঙল্লবা, ইমুংদুগী মীকোক অমনি-নোংমই মনুংদা পুংজা খরদি কাউথোকপা ঙল্ল'কান্দুদা লাকউ'...। ১৯৮২, য়ূমসিমক্লা শঙ্গোয় ওইরিঙৈ, এগ্রি তম্বা লোইরগা থবক ফংদা ঙাওচৎনরিঙৈ, প্রাইভেট ট্যুটর ওইরিঙৈ 'কোরসকী আর্টিষ্টি ওইজগে' চঙলুবদা হায়রকখিবনি। ওজাগী অহানবা চাংয়েংদুদা মায়থীখি ঐ। ৱাহৈদুগী ৱাহম্থোক, ঐহাক হনবা ঙমখিদে। অদুমক্লনি ঐহাক্লা, পামজবা থবক ওইর'সু থিয়েটরগী তাইবঙদা, কনাগুম্বা অমগী মশেক মঙালদা ওইর'সু মশক থোকপা ঙমদ্রিবা!

১৯৮৩! ঐহাক থবক ফংলে। নেশনেলাইজদ বেঙ্ক অমদা। চীং-মান, খুঙ্গং-খুনয়া হোং হোংদুনা লৈরুরে। থিয়েটরগী ৱাখল কাউরুরে, মরক মরক চত্তুনা য়েংবা নত্তনা। পার্ট টাইম ওইনা মতম ঙাইহাক ফংবদা তৌবা য়াবা, ওজা চোংথাম জামিনিনা হৌদুনা 'লৈ-লাংবা' মিংথোনবা থাগী চেফোঙ অমখক পুথোক্লুবা ৱারেপ্লরে। শরতচান্দ থিয়াম অমদি ঐহাক্না তেংবাংদুনা পুথোক্লে। শক্লাইবা অইবশিংগী মনাক' চৎলগা ৱারেং-শৈরেং ইহনবা, অইবা লৈরল্লগনা পুরকপা-ঐ, শরতচান্দ অমদি নন্দকিশ্বরগী থৌদাংনি। মতমদুদা নোংমা নীংশিংলকখি-ঐনা কোলেজ তল্লঙৈ নহাশিংনা পাম্না থিনখিবা-রতন কুমার থিয়াম্না ইবা শৈরেং অমগী মিং-'চৈখৈগী ৱাংমদা লৈখ্রবা কোমা'। অপাবশিংনা শোয়দনা পানীংগনি খন, লৌরুরসি ফোঙলসি ৱারেপ্লদুনা চৎখি ঐ। শোক, তারিখ, নুমিত্তুদি কাউখরে। শঙ্গোয় ওইরিবা য়ূম'সিগী অহানবা মতোলদা কাখত্তুনা হায়জরে, মিং-লৈফম তাক্তুনা। অমনবা দাইরি অমা পুথোক্তুনা শৈরেংদু, থংনবা কাদা শিন্দোক্লুবা তাকপীরে। শাংতক তৌবা শৈরেংদু শিনে দাকপদা ঙাইহাক চঙখি।

করম কান্দা, কাদুনা চঙলকখিবনো খঙহৌদ্রে। শিন্দোকপা লোইরকপদা ওজা রতন, ঐগী তুংদা লেপ্লম্মী। ঐগী চেদু লৌরগা, মখোল থোক্ত' ঙাইহাক পাখি। বনান লানব্রা য়েংলিমাল্লে খন, তূমিন লৈখি ঐহাক।

'পুখ্রম্বা শামুগা নঙগা করি থোক্লে'? ৱাহংদুদা ঙকখি ঐ।

শৈরেংদুগী মরমদা নত্তবা। মরী শূপলৈ লৈনদবা ৱাহং অমা।

'ইনেগী মচানি, ইবায়নি। করিগীনো তামো? ইবায় শামুদি লৈখিদ্রে'।

-'ঐ খঙই। ঐগী নুংশিবা মরুপনি।... ইন্দ্রকুমার! নঙ চাক চারক্লবরা?'

মরী লৈনদবা ৱাহংদুদা ঐ ঙকচানখি। 'চারক্ত্রি তামো', ইতিং তিংনা খুমদোকখি।

-'অদুদি ঙসি ঐগা চাক চামিন্নরসি, চাক চারগা হল্লো, ইখূৎমক্লা থোংদৌরিবনি'।

আর কে ভোগেন অমদি অতৈ আর্টিষ্টি খরনা কোয়চেন চেন শেম শাদুনা হোৎনরে। য়েন খূৎথোং মখল অহুম্নি ওজানা থোংখিবা- ঙসিগী শুমাং, মতমদুদনা পূখ্রি মপানগী কংশিল্লক্লবা লৈকোন্দুদা। ইষ্ট-ৱেষ্ট এনকাউন্টরগী ৱারী অমদি মপান লমদা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্স কয়াগী ৱারীনি, চাক চানা চানা শানখিবা।

লোইশিল্লকপদা হংলকই, 'ইন্দ্রকুমার। ঙসি অহানবা উনবা, শক খঙনবা নুমিৎসিদা ঐনা নঙবু চাক চামিন্নসি হৌরিবা, চাক কৌরিবসি করিগীনো? মরম খঙব্রা'?

ঐনা ঙকচানরিবা, হংবা ঙমদ্রবা ৱাহংদুমক ওজানা চীন কাংথোরক্লে।

-'খঙদে তামো! ইথন্তা ঙকচানরিবনি'।

-'নঙগী হেন্দ-রাইটিংদু উবদা ঐগী মরুপ শামুদু নীংশিংলকই... কুইরে উখিদবা, মাগী অরোইবা ড্রামাদু মিং থোন্দনা ঐঙোন্দা শিন্নরল্লগা মহাক চৎখ্রে, ঐনা দেল্লীদা লৈরিঙৈ ওইবনা, মথৌ মঙম পাঙথোকপসু য়াওবা ঙমহৌদ্রে... মাগী ড্রামাদু ঐনা 'কংলা চেৎখায়বা' মিংথোন্দুনা মঙোন্দা কৎখিবনি... নঙগা ঙসি চাক চামিন্নরিবসে, মহাক্লা চামিন্নরিবনি খন্না চারিবনি...ন পুক থল্লব্রা?... মহাক লৈরল্লবদি, ইন্দিয়াসে ইবান্নিনা পানগদবনি'...।

মরুপ অমগী মফমদা অঙকপা শ্রদ্ধাঞ্জলি। খোঞ্জেলদো, নাকোংসিনা তাবা ঙমদবগী ৱানি, তরঙ মালঙসিদা লৈরমগনি নিন্দুনা। ●

# মণিপুরী খুন্নাইবু মনুং মপান ফাওনা উখিবা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা চহী ১০০ শুরকপদা মহাক্কী শৈরেংশিংদা নৌহৌনা য়েংবা মীৎয়েং অমা (অনীশুবা শরুক)

- তোংব্রম অমরজিৎ -



দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপা, মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবা, মীয়ামগী খল্লগা আইন শেম্বা অসিগুম্বা কাঙলোনশিং অসি ফজখ্রবা লৈঙাক্লোননি। অচৌবা-অপীকপা, লায়রবা-ইনাকখুনবা, লাইনীং-লাইশোলগী খেন্নবা, অনেম-অৱাংগী পল লৈতে। লায়রবা মীওই অমনসু লৈবাক্কীদমক অফবা থবক তৌরবদি, মশা মতিক চারবদি মীখলদা চোংথোক্তুনা মায় পাক্লবা লৈবাক্কী মপী-মপা ওইবা য়াই। লুচিংবা ওইরি। বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক মখাদা লৈরম্বদগী মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইরবা ইন্দিয়াসু নীংখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা পাল্লকপা চহী ৭৫ শুখ্রে। সাইন্স এন্দ টেক্লোলোজিদা মাঙজিল থাবা লৈবাকশিংগী মরক্তা ইন্দিয়াসু অমা ওইরক্লি। লৈবাক অসিগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহারোল কয়ানা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরক্লি। অদুবু লৈবাক অসিগী পোলিটিক্স তৌরিবা মীওইশিংনা মশক থোকপা থবক তৌবগী চাংদি য়াম্না নেম্না লৈরি। মীয়ামগী লুচিংবশিংনা খুন্নাইগীদমক কখোকপা ঙম্বা থবক তৌবদগীদি লন্নাই মীওইশিংনা তৌবনা হেল্লমগদবা মাল্লি। লৈঙাক্লা মীয়ামগীনি খন্না শেল্লিবা কান্নরবা থৌশিল থৌরাং কয়া, পোলিসি অমদি স্কিমশিং কদায় ফাওবা পুকচেল শেংনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা তশেংনা কান্নবা ফংজগদবা বেনিফিসরিশিংদা কাঙলোন চুম্না ফংহল্লিবরা হায়বসি হৌজিকসু অদুমক ৱাহং অমা ওইরি। অসিগুম্বা ইস্যু ময়ামসি কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা কুমজা ১৯৭৪দা ফোঙখিবা 'মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদসু চাউনা মমি তাদুনা লৈরি। হৌজিকসু লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা জল জিবন মিশন চাদা চাম্মা মায় পাক্লে হায়বা ঙমদ্রি। চেদা, রিপোর্টতা ইরম্বদি য়াই, প্রাক্টিকেল ওইদ্রি। প্রি-পেদ সিষ্টমগী ইলেক্ট্রিক ফংলে হায়রবসু মৈ চাং নাইদ্রি। থবক শুদনা, য়ূম, স্কুল শাদনা বিল কায়থোকপগী পাউশিং পাউচেশিংদা য়াওবা থেংনরি মীয়াম্না। পূন্নমক অসি ঙসিদগী চহী ৪০/৫০গী মমাঙদসু অদুমক তৌদুনা লাক্লম্মী। ঙসিনা হেন্নদুম ফীভম শোকচিল্লব্রা হায়নরক্লি। অসিগুম্বা ইস্যুশিং অসিদা য়ূন্স্ফম ওইদুনা কবিনা পূন্নমক অসিদা ৱাহং কয়া অমা হংনীংলকপনি ওথোরিটিদা ইন্দাইরেক্ট ওইনা। কবিদি ফিলোসোফরনি অদুনা নাকোয়ননা ফাগি তৌদুনা অশেংবদু হায়নীংই। অদুনি 'প্রজাতন্ত্র নুমিত্তরা!' হায়না মিংথোন্দুনা ইরক্লিবসি। ত্রষ্ট দিফিজিট অমা মীচম মীয়াম অমদি লৈঙাক অসিবু লমজিংবনি হায়দুনা থোক্লক্লিবা লিদরশিংগগী মরক্তা লৈরক্লিবসিসু কবিনা উরকখি। পীনীংদবগা লৌনীংবগগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা অসিসু ইদবা ঙমদে। মীয়ামসু লোইনা ৱাখল তারবরা হায়বদুসু তাদ্রি। অসিগুম্বা চমন্নবা মতৌ অমসু কবিনা ইরক্লি, "অয়ূক্তা ঙাঙখিবরা-নোংঙাল্লমদাইদা তাহৌবরা/প্রজাতন্ত্র নুমিত্তরা/রাজ্যপালনা ফিৱাল চিংখৎখিবরা.../পূখ্রি তৌখিবরা তৌখিদবরা... মৈ লাক্তে হায়বরা/টৌটি তাদে হায়বরা/ঈশিংগী খাজনা হান্না পীগদবনি হায়বরা.../শীং লৈগদরা য়ূম শেমগদরা" লমদম অসিদা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা সোসিও-ইকোনোমিগী মশক অদুসু ফোঙদোক্লি। অচুম্বা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা মাঙশিল্লক্লবা মতাং অমদা অসিমসু হংলক্লি, "একাগাড়ী লাকখিবসিবু/থানা তাক্তবনা ফরিবরা/খৎনবা পোৎ হুরানখিবগী জাৎসিদি/থানাদদি শুকতাক তাক্লরনু হায়বসিবু চুম্বরা/প্রজাতন্ত লাক্লবদি প্রজানা তৌজবনা চুম্বরা" (লা: ৫৬) সোল্যুশন অমদি থিনীংই কবিনা ইস্যু পূন্নমক অসিগী। অদুননি হায়রক্লিবা "লৈতাদে পূক্নীংসে ইরাঙ লাঙবরা"।

কবিশিংগী পূক্নীংদি য়াম্না সেন্সিটিভ ওই। উগল্লি, খঙগল্লি। মখোয়না খুন্নাই অসিদা হিংবদা থেংনরিবা পূন্নমক মখোয়গী খোর্জ্জেৎনা ইদবা ঙমদে। ফজবা ওইবা য়াই, অথিবা ওইবা য়াই লাচনবদি খক লেপ্তে। হৌখিবা দিকেদ মরি/মঙা অসিদা মণিপুরদা থেংনরিবা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সিগী মিংদা থোক্লিবা মীহাৎ-মীপূন, ওৎ-নৈবা, অমুবা আইন, অচুম্বা ৱায়েল থিবদা অৱাবা ফীভম অমা ওইরিবা পূন্নমক অদু কবিনা অতেনবা পরেং মঙানা শাবা শৈরেং 'ওলিব গ্রীন' হায়না মিংথোনবসিদা পূন্নমক ফোঙদোক্লি। কবিনা ইরক্লি, "শজিবুগী কোন্থীরৈসু মফজৈ/কালেনগী লৈহাউ লৈরেনসু মফজৈ/ফজৈ দা ইমা মৈতৈ লৈমা মায়কৈ সলাই খুদিংদা/ফজদবা অমত্তং হায়ববু/ওলিব গ্রীন অসিতনি হৱাগাড়ীদা চৎলিবা নোংমৈ শীংদুনা।" (লা: ৬৩) শান্তি পামজবা লমদম অসিদা শান্তি ঙাকপা লাকপা নখোয়না তৌরিবদু পোক্লফম ইমাগী শক্তমদা মখোয়গী থৌওংনা মশক থীহল্লে হায়নীংলি।

কেপিটেলিষ্ট ইকোনোমিদা মরু ওইনা কা হেন্না শেন্দোং তানবরোমদা মায় ওনশিল্লক্লিবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তা লৈরিবা লায়রবগী ৱারীদি নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লি। লোইলম শন্দোকপা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা ঙসিসু অনৌবা শক্লোন্দা অনৌবা লাল্লোংদা নিও কোলোনেএলিজমগী বেকড্রোপতা লোইলম লৈঙাক্কী সিষ্টমদি অদুমক চখুরি। লায়রবা-ইনাকখুনবা অনীগী মরক্তা লৈরম্বা খেন্নবসু হেন্না লাপথোক্লরক্লি। অকুৎপদা লৈতৌবা, অতোংবদা লৈথোনবা হায়বদু ঙসিগী খুন্নাইদসু থোক্লি। ইনাকখুনবা শক্তি পায়বশিংনা তৌনীংবতা তৌরক্লিবা খুন্নাইগী সিষ্টম অসিবু নৈনদুনা ইরকপনি 'লায়রবা ইনাকখুনবগী ৱা'। ইনাকখুনবা চাম্মনা লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে হায়বসি মীওইবগী পূকচেল পীকপা মতৌনি। অদুননি কবিনা ইরক্লিবা, "শৌবু শৌগৎত্রবদি/ইনাকখুনবা তরানসু লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে/চাবু চাগে হায়রবসু/ইনাকখুনবা অমনা লায়রবা তরা চাবা ওক্তে/ইনাকখুনবা তরানা চারক্লবদি/সহর অমনসু ওক্তে লৈবাক অমনসু ওক্তে।"

ওজাগী কুমজা ১৯৮৫দা ফোঙবা 'খুল অমগী ৱারী' দা য়াওরিবা শৈরেং 'বেইবিলেন্দ' অসিমক মণিপুর ওইনা অপাবশিংগী মিৎমাংদা চোংথোক্লকই। 'অঙাংগী লৈবাক্তা/অঙাং ঙাক্তনি পূন্নমক। পূক্নীংসু ৱাখলসু লৌশিংসু অঙাংনি।/অঙাংগী লৈবাক্কী উনা শাবা টৌটি/ঈশিং তাদে/অঙাংগী লৈবাক্কী উনা শাবা ইলেক্ট্রিক/মৈ ঙান্দে..." (লা: ৯৭) অঙাংনা মাইবা শারগা মং থল্লি হায়নবা পাউরৌদু নীংশিংহল্লি। লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা থৌশিল থৌরাং হৈতবা অহল লমনগী পাউতাক লৌনীংদবা, লৈবাক ঙাকপসি অঙাংনা লাইথি শান্নবগুম খন্নরিবা থৌওংবু করেম্নদুনা অশেংবদা ফাগি তৌরকপনি।

কবি লাইশ্রম সবরেন্দ্র সোশল ক্রিটিকনি, ইকো কন্সিয়স ওইজবা ওজানি অমদি ভিজন্নরিনি হায়বসি মহাক্কী শৈরেংশিংদা মমি চাউনা তারি। ঙসিদগী চহী কুন্থ্রা/নিফুগী মমাঙদা ইরম্বা শৈরেংনি 'সহরগী মপু'। শৈরেং অসিনা পীনীংলিবা পাউজেল অসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈ। ঙসিসু অদুম্মক চুন্দুনা লৈরি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং তাইবঙদা থোক্লি, মিৎমাংদা উরি। মাধব কৌবা মশাসু ওজা ওইবা মীওই অমনা সহরগী পার্ক অমদা নোংমা ফল্লগা মানা পামজবদু ফোঙদোকহল্লি, "...ঈশিং অসি শেংদোক্কদবনি/উশিং অসি হিংহনগদবনি/লম্বীগী নাকলদা লৈ থাগদবনি/সহর অসি শেমগদবনি..." ৱাখল অসিদা লুপখিবনা মাধব তূম্বা-চাবা-চৎপা, মমঙদা ফাওবা ৱাখল অসিতা খল্লি। মানা ওজা ওইরিবা স্কুলদা ফাওবা অঙাংশিংদা হায়, "উথাগদবনি/লৈ থাগদবনি' শৈরেং অসিদা হায়রিবা শৈরেংগী পরেং অনীসি মঙারক হায়। মসিদা অপাবশিংনা লৌশিনবা য়াবদি কবিনা আপীলনি তৌরিবসি। "ফক্লাং য়াওদ্রবা এল পি স্কুলগী মশম মনা/ফারবা অঙাংশিংদু মুন্না তাই মাধবনা তাকপা/পড়াদা য়াওবা য়াওদবা থিদে..." লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ফীভম, স্কুলগী সিলেবসতা য়াম্না মরু ওইনা হাপকদবা হীরম অমা ওইরিবা এদভাইরোনমেন্টকী টোপিক, ওন্ন-তৈনবা লাইরিক খুতম অদু তেন্না অমমমতা মতাং চানা ফেনজিল্লি। নেরেটিভ পোইমগী মওংদা ইরিবা শৈরেং অসিদা ফোঙদোক্লিবসি লৈবাক্কী মপী মপা ওইবশিংনা লৈবাক মীয়ামগী ওইনা লৈগদবা অদুগুম্বা সহরগী কম্যুনিটি পার্ক অদু নোংমা ফুঞ্জিল্লমখি। মশাগী অমদি ইমুং-মনুং, মরী-মতাগীদা খনবা ঙসিগী য়াইতোং ফমদোংবশিংদা খুদোম্বী থিল্লকই। নখোয়না তৌরিবদু ফজরিবরা। মদুবু অফবা থবক্লা হায়না হংলকপনি। কবিনা ইরক্লি, "থা অমখক্তগী মনুংদা সহরগী পার্ক ফুল্লমলে/দুকান শাগৎলমলে!/এম এল এ মচাগী/মনেজ্বোক্কী মচাগী/এম এল এগী/খুড়াগী মচাগী/ৱা ঙাঙবা থোক্তে মাধব/ঈচপ অমুক ঙাংই মমায়দো য়েংবা ঙমদে/..." মাধবনা ময়ূমদা হল্লকপদা মাগী নুপীগা মচানুপাগা কৈথেলদা থেংনখি। মখোয়না হায়রকপা মোরোক তাঙবগী ৱারী নাচংনা তারুদে। মরমদি মহাক নীংবা কায়খি। থাজবা মাঙখি লৈবাক্কী পোলিসি মেকরশিংগী মফমদা। লুচিংবনা লন্নাই নুংঙাইনবা, মরল তানশিন্নবা হোৎনরিবা, মীয়ামগী য়াইফনবা খনবদি মাল্লগা ওইজ-ওইথক থিরিবশিং অসিবু ৱারৌখি। অদুনা নীংবা কায়না সহরদগী কুম্লত্তুনা মদোম শোল্লি পেঞ্জদনা, "সহর সহর সহরগী পার্ক/কদাইদা চৎখরে।" (লা: ১০১) শৈরেং অসিগী মিংথোলগা নুংগী ওইবা থিমসিগা অসুক্কী মতিক ফজৈ। সহরগী মপুসে মীচম মীয়ামগী নত্তে, শেঞ্জাও পায়বা, শক্তি লৈবা মখোয়না পাল্লি হায়বদুনি নাকোইননা ফোঙদোক্লিবসি। ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ১০

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

থাঙ্গ মোইরাংগা শম্নদ্রিঙৈদদি লোক্তাক ঈয়াইদা অতাওবা ঈথৎচীং ওইনা উরিবা থাঙ্গ চীং অসি লাইওইবা চীংনি অদুম হায়নৈ। ওজাগী শিনফমদগী পোত্থারবা, কৈরেনফাবীদগী ওজা হৈস্নাম গোবর্ধোননা মশাগী চহী ৮৪শুবা মতম, ২০১৮দা লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়মদা লোক্তাক খোজ্জে লূপকী সেক্রেটরি, ওজা খ্বাইরাকপম সনায়াইমা অমদি অতৈ থৌমীশিং পূন্না ৱারী শানবা অমদা হায়বীরম্বদা- থাঙ্গ চীংগী ৱারীদি মীনা ইবা ঙম্বা নত্তে, চীংঙু থাঙ্গরাকপনা নুঙফান্দা ফমদুনা খূৎতা খোর্জ্জে পায়দুনা ইখিবনি। তাইবঙ মীওই অমত্তনা ইবা ঙল্লরোয়ে। ঙসি ঐখোয়না 'থাঙ্গ চীঙ্গৌইরোল' অমসুং 'থাঙ্গ চীংথিরোল' হায়না খঙনরিবা ফোঙখ্রবা লাইরিক মচাশিং অসি চীংঙু থাঙ্গরাকপগী থৌজালগী মরীক অমত্তংনি হায়না ওজা সনায়াইমনা ফোঙদোক্লি। লোক্তাক ঈয়াইদা লৈরিবা থাঙ্গ চীং অসি লাই ময়ামগী খুন্দিনফম মফম অমা ওইনা থল্লসি হায়না লাইয়ামমক্লা লেপ্নরবা তুং চীং অসিগী মমিং লাই ময়াম খুন্দিন চীং, নিক্তবা চীং, ইরোনুংদগী থাঙ্গৎলে, থাঙ্কৎ চীং, থাঙ্কৎ চীংদগী 'থাঙ্গ চীং' কৌখি হায়না পল্লি অদুবু 'থাঙ্গ চীঙ্গৌইরোল' দনা থাঙ্গ চীং হায়দে 'চিরোং জাও' কৌই।

চীং অসিগী মমিং থোনখিবগী শাংলবা ৱারী অমদি অসিনি - থায়না মমাঙঙৈদা তখেল লৈবাক্তগী সুরান কৌবা লায়রবা চাকনি-ফিনিবা নুপা অমা লৈরম্মী। নোংমা মহাক্লা চাকনি ফিনিবা চৎপদা ৱারদুনা উখোং অমদা ফমদুনা লৈরিঙৈদা 'ফাথিবী' কৌবী লাই নুপী অমনা মনাক্তা চঙলক্লম্মী অদুগা ফাথিবীনা হায়রম্মী - তম্বা নুপা নঙবু তাল্লোই তুইন তল্লবরা? নপারি নমোম ফুইরবরা? হায়না হংলম্মী। সুরাননা খুল্লম্মী - ঐদি তাল্লোই তুইন তমদ্রি, পারি ইমোমসু ফুইদ্রি (লৈত্রি) সুরানগী মপাউ তাবদা ফাথিবীনা, ফরে অদুদি ঐ নঙগী তাল্লোই ওইরগে হায়দুনা সুরানবু ফাদুনা য়ূম্বানমিন্নরেদো। মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না মপারী অমা ফংজরে। মপারী ফংলবা মতুং ফাথিবীদি অঙাং অদো সুরানদা য়োকচহৌরো, ঐদি চৎলগে হায়দুনা চৎখ্রে। মতম খরগী তুংদা সুরান লায়রবনা পৎ তৎলে, মচাবু নীংথিনা পীজ-পীথক ঙমদ্রে। মবুক লাম্লবা অঙাংনা শিথ-শিথ কপ্পবু নাওথেমজবা ঙমদ্রবদা পাম্বৈ লৈত্রবা সুরাননা খল্লকই অঙাং অসি ঐনা য়োকপা ঙল্লরোই, মমাগী মতুং ইনজখ্রসনু হায়দুনা ময়ূমগী কোম্থোংদা হুন্দোক্তুনা থমখ্রে। অঙাংনা শিথ-শিথ কন্না কন্না কপ্পলকপদা মমা লাই ফাথিবীনা তারদুনা মচাগী নাক্তা লাক্লগা মতম্বাক্তা পমখৎপীরে। খোল্লাং মবুক পেন্না পীথকপীরে, মবুক থল্লবা অঙাংনা কপ্পা তোক্লবদা মমানা হায়রকই - পারি ইবুংঙো নুংশিবা হয়েং ইনুং ঙানবদা থোঙ্গ্রা ইরং মরিন্দগী তুবী চিরোংবা লাইরেন অরেপ্পনা লেল্লৈ ঙায়াম পুদুনা লাক্কনি, অচা অথক ময়ামসু পুরক্কনি। তুবী চিরোংহন্না চিরোংথক্তা মুক্তা য়াইরংচানবু ইরং লংনা থেৎতুনা লাক্কনি। নবুক্লিংদা অকি তুজুংবা লৈতনা মুক্তা য়াইরংচানবু থেক্তুনা লৌথোকও পারি হায়রল্লগা মমা লাই ফাথিবী মাঙখ্রে। পলেম মমানা তাকপীরম্বা ৱাফম তুংইন্না অঙাংনা তুবী চিরোংহল লাইরেনবু ঙাইদুনা লৈখ্রে। তুবী চিরোংহল লাইরেননা মশেক মঙালগা লোয়ননা লাকপদু উবদা অঙাংনা অকিবা লৈতনা চোংশিন্দুনা মুক্তা য়াইরনচানবু থেক্তুনা থুদেক্তুনা লৌহৌরে। মপা সুরাননা অঙাং কপ্পা তাখিদ্রে, শিরব্রা, মমানা পুখ্রবরা হায়দুনা য়েংলকপদদি অঙাংগী খূৎতা মুক্তা য়াইরংনচানবু পায়দুনা শান্নরম্বা উবদা মচাবু চেজেৎ কোনশিল্লগা মোংবা মরানয়াইদা পুশিনখ্রে। মুক্তা য়াইরংচানগী মপান্দগী সুরানদো লায়রবা কোকখ্রে। নুংঙাই য়াইফরে, নিংথৌদগী হেন্না নুংঙাইরেদো... মচাগী মমিংসু 'খোল্লাং য়াইরংচান' কৌখ্রে। লৈবাক মীয়াম্না সুরান ইনাক খুনখ্রে, নিংথৌ য়োৎহাবদগী হেল্লে তাবদা সুরানবু কোনুংদা কৌখৎলে, মরম পূন্নমক খঙলবদা নিংথৌনা সুরান নঙগী য়াইওইবা থাঙ অদো ঐসু নোংমতা ঈরাৎকে হায়রবদা য়াদবা ঙমদ্রদুনা নিংথৌদা থাঙ পীখ্রে। নিংথৌনা হৈ-শিংনা থাঙ শাবা কৌখৎতুনা সুরানগী য়াইওইবা থাঙগা থাঙশক চপ মান্ননা থাঙ অমা শাহল্লে। নোংঙাল্লগা সুরাননা কোনুংদা কারত্তুনা থাঙ পীবিরো হায়রবদা



লোক্তাক্তা নোংমগী শিন্থা পাংলিবা। Pic: lens nerrative by karta

নিংথৌনা অশাবা থাঙ ওইনা পীখ্রে। ইকুই কুইদনা তখেল নিংথৌ য়োৎহাবা নুংঙাই য়াইফবা হায়বদো ওইখ্রে।

মতম অসিদা মোইরাং লৈবাক্তা তখেল নিংথৌগী মতাও লাইফচেঙনা পাল্লম্মী। 'মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবগী' মতুংইন্না নিংথৌ লাইফচেঙ মোইরাংগী নিংথৌরোল ১০শুবনি। মোইরাং নিংথৌ লাইফচেঙনা মতাও তখেল নিংথৌনা য়াইওইবা থাঙগী মপান্দগী নুংঙাই য়াইফবগী পাউ তারদুনা তখেল নিংথৌগী মনাক্তা লাক্তুনা থাঙ অদো মাসু ঈরাৎচগে, নুংঙাই য়াইফজগে হায়না নিররেদো। তখেল নিংথৌনা নুংশিবা মতাওগী ৱাঙাঙদা য়াদবা ঙমদ্রদুনা ইতাও পংকুইদি কুইহনবীরক্কনু হায়রগা য়াইওইবা থাঙ শিন্নখ্রে। মোইরাং নিংথৌ লাইফচেঙসু থাঙদু ঈরাৎচবদগী নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পানখ্রে। মতাও তখেল নিংথৌদা থাঙদু অমুক পীরুদ্রেদো। তখেল নিংথৌনা মতাও মোইরাং নিংথৌনা থাঙ থিল্লকপা ঙাইঙমদ্রদুনা মোইরাং লৈবাক্তা লাক্তুনা থাঙ পীরো হায়ররে। মোইরাং নিংথৌনা অশেংবা থাঙ লোৎশিল্লগা মশক মান্নবা অশাবা থাঙ অমা পীরেদো। থাঙগী থাঙশক য়েংবদা অশেংবা নত্তে হায়বা খঙলদুনা - ইতাও অসিদি ঐগী অশেংবা থাঙদু নত্তে, ঐগী অশেংবা থাঙ অদু পীবিয়ু হায়রবদা মোইরাং নিংথৌ ইকায় নুংশি য়ান্নবা অশেংবা থাঙ অদু পুথোক্তুনা তখেল নিংথৌদা শিন্নরে। লাইওইবা, য়াইওইবা থাঙনি, নিংথৌ অনীগী মবুক চুমদবা অদু উবদা মখোয়গী মনাক্তা লৈররোই খল্লদুনা থাঙনা মৈরি থোক্লা মৈ চাক্লক্লে। তখেল নিংথৌ মখূৎনা পায়বা ঙমদ্রে। থাঙ লৈবাক্তা থাদরে। থাঙনা চোঙ-চোঙদুনা চৎখিবনা মোইরাং নানবী তুরেল মরীলদা তাখ্রে। থাঙনা ঈশিং ইরোলনুংদা কোঙ্গোল প্রিক প্রিক শৌদুনা চৎখ্রেদো। থাঙনা চৎখিবা মফম অদুবু 'থাংবোতাক'/'থাঙপোক্তাক' হায়না মিঙ্গৌখি। তখেল মোইরাং অনীনা হী তোংদুনা থাঙগী খোঙ্গুল লীববু থাঙ ফংখিদ্রে। থাঙনা লোক্তাক ফাওরগা চীংলক অচৌবা, মোইরাং খোয়োন থাঙ্গরুংবগী শোয়দা, শোরারু খাপকপদা থাঙলেন য়াইওইবা চঙখ্রে। থাঙগী মতিক ময়াই কনবনা সোরারু মখয়াৎ থবৎ ককথৎতুনা লুগী মথক্তা কাখৎলগা চীং তম্না কাখৎখ্রে। থাঙগী মশক উখিদ্রে, অসুম্না য়াইওইবা থাঙনা কাখি হায়বদগী থাঙ-কা মমৈথংদা লোন অনীসি পুনশিল্লগা 'থাঙ্গ' চীংবু কৌখি হায়নৈ।

ওজা হৈস্নাম গোবর্ধোননা হায়রিবনা চীংঙু থাঙ্গরাকপনা লোক্তাক্তা হীয়াং হীরেল তোংদুনা লাক্লগা চীংঙু হীগারোক (ধোজোলোক) তা হী থাংলগা চীংঙুগী মতিক ময়াইগা, লোক্তাক লাইরেম্বীগী মতিক ময়াইগা থাঙগী মওংগুম কাখি, থাঙদি নত্তে মরম অসিদগী থাঙনা কাখি হায়দুনা থাঙ্গ চীং কৌবনি। অসুম্না অরিবা মিথোলোজিকেল ষ্টোরি ওইনা ওজা খ্বাইরাকপম সনায়াইমগী 'থাঙগী ঈরাৎ থৌনিরোল খরা' হায়বা লাইরিক মচা অসিদা থেংনবগী ৱারী অসি মীয়ামদা অমুক হন্না লীজবনি।

থাঙ্গ চীংগী মিঙ্খৈশিংসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। নিংথৌজম চাউবগী 'থাঙ্গ খুন্দারোল' দা য়াওরিবা চীংগী মমিংশিংদি (১) উতাং কাপ্পু হুইথা চীং (২) চেক্লা, উখোং য়ারেকচীং (৩) য়ারৌ সঙাই শাথুপ চীং (৪) লমলেন থাঙ্গ মিশৌ চীং (৫) নোংমাই হগবারা হাদা চীং, শেলোই নীকপরা নিক্তা চীং (৬) কাওরেল মরুম শাবা চীংনি অদুগা হৈস্নাম তোম্পোককী 'থাঙ্গ খুন্দারোল' দা য়াওরিবনা (১) ককচেঙ কাবা চীং (২) য়াইৱা খাইবোক চীং (৩) উরি ৱাওরি চীং (৪) মিনুথোংবী চীং (৫) মমৌ ৱাক্কম পুকাও চীং (৬) য়েনবী কাক্কম পুকাও চীং (৭) পিনু থুয়োন চীং (৮) পারুম্বী চীং (৯) মুকাপ চীংনি। অতোপ্পা স্কোলর গোর্বোধোনগী 'থাঙ্গ চীঙ্গৌইরোল পুথিবা' দা চীংগী মমিং অসি ওন্থোক্লা য়াম্না মশীং ১০৮ পীরি। আর্টিকেল অসিদা মশীং ১০৮ মক্কী মমিংদি পঞ্জদ্রে। থাঙ্গ চীংবু 'কোনুং কংলৈ' অমসুং 'কংলৈপুঙ কোইরেল' হায়নসু কৌই। ● (মখা চত্থজরকখিগনি)